ফেক এনকাউন্টর কেস ২গী ৱায়েলদা পি দব্লিয়ু অহুমগী ষ্টেটমেন্ট লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩ (ঐচ এন এস) : ঈভফম অমসুং ঐচ আর এনা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎলুবদগী কোর্ট অসিনা পীরকপা ওর্দরগী মতুংইন্না ফেক এনকাউন্টরনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা থৌদোক অনীগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না ফ্রেম তৌরকপা চার্জশীটতা য়ুম্ফম ওইদুনা চত্থরক্লিবা ৱায়েলদা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস অহুমগী ষ্টেটমেন্টশিং কোর্টনা লৌখ্রে।

ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু)শিং এগজামিন তৌখিবা কেসশিং অদুদি সী বি আই ভর্সেস এম দি শাওকট অলি অমসুং সী বি আই ভর্সেস ক্ষেত্রিময়ুম উত্তমকুমারনি।

অহানবগী কেস অসি সী বি আইনা লৌখৎখিবা কেস নম্বর- আর সী-০৯/এস/২০১৭/এস দি-থ্রী/ন্যু দিল্লি (তাং ৬/১০/২০১৭) অমসুং আর সী/দি এস টি/২০১৮/এস/০০০৭ (তাং ২৪/২/২০১৮)নি। কেস অসিগী চার্জশীটতগী কোর্ট অসিনা লৌখৎখিবা স্পেসল ত্রাইয়েল কেস নম্বর- ৪ ওফ ২০১৮ নি। হৌখিবা কুমজা ২০০৮ গী ফেব্রুৱারী ১৫ গী নুমীদাং পুং ৭ হেল্লকপদা মিনুথোং থোংখোঙ হট্টাগী মফম অমদা খুৎ থোক্লবনি হায়দুনা সোরাম রঞ্জিৎ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা থৌদোককীনি।

অনীশুবা কেস অসিনা সী বি আইনা লৌখৎপা কেস নম্বর- আর সী ১৬(এস)/২০১৭/এস সী-থ্রী/ন্যু দিল্লি অমসুং আর সী/দি এস টি/২০১৮/০১৬/সী বি আই/এস টি এফ/ন্যু দিল্লিনি। কেসশিং অসিগী মতুংইন্না থাগৎলকখিবা চার্জশীটতগী কোর্ট অসিনা এস: টি: কেস নম্বর- ৫ ওফ ২০১৯ লৌখৎখিবনি।

থৌদোকসিনা কুমজা ২০১১ গী দিসেম্বর ২০ গী নুমীদাংদা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নরান কোঞ্জিল পুখ্রি অচৌবা ময়াগী মফম অমদা থোকখিবনি। মসিদনা খুৎ থোক্লবনি হায়দুনা লাইশ্রম রনবিরবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

ঙসি কেস অনীমক কোর্ট অসিগী ক্রিমিনেল কোজ লিষ্টতা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলগা মথং-শিংনা কেস অনীসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস অনী অমসুং অমা পুন্না অহুমগী ষ্টেটমেন্টশিং লৌখিবনি।

অথুবা মতমদা লম্বী শেমজিনবীয়ু : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : বি এস আর বস য়ুনিয়নগী রুটশিংদা ৱাবগাই লমখাই টু চকপিকারোং অমদি পল্লেল টু চান্দেল লম্বী ফৎতবনা মরম ওইদুনা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীওইবগী পুন্সি খুদোংথিনিংঙাই চাং ৱাংনা লৈরে হায়না ইন্দো-বর্মা শুগনু রোদ বস ওন্নরস ৱেলফেয়র য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি টি ঐচ রাধেশ্যামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লমদম অসোমগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া অমা থেংনরে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা লম্বী শেম্বীদ্রবদি য়ুনিয়নগী পেসেঞ্জর বসশিংনা ষ্টিয়ারিং পায়দবগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

সমারোহ দিবস পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : গীতা জয়ন্তি সমারোহ দিবস চহী অসিগী দিসেম্বর ৮ দগী মণিপুর গীতা ভবন পাউনা বজারদা পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না মণিপুর গীতা মন্দলগী সেক্রেটরি জয়ন্তকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মণিপুর গীতা মন্দলগী মীওইশিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

মফম কয়াদা ইন্টরনেসনল দে ওফ পার্সনস ৱিথ দিসএবিলিটিজগী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : মালেমগী অতে মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা শীন্দুনা ঙসি মফম কয়াদা ইন্টরনেসনল দে ওফ পার্সনস ৱিথ দিসএবিলিটিজগী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

7th ... EXHIBITION FOR DIFFERENTLY ABLE... ONS (DIVYANGJAN)
with
Di... TLM Kits to Persons wi... ual Disabilities
...tute for the Empowerment of P... l Disabilities
...Social Justice abd Empow... India)
in connection
...y of Persons... s 2019
...ons with Disabilities and th... 2030 Development
...er 2019 at Ideal C... el, Imphal
in association
...he Welfare of Differen...
for the Persons with Dis...
District, Manipur & Dis... nipur ... Imphal East District,Manip...

সেন্টর ফোর ৱেলফেয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনস মণিপুরনা শীন্দুনা প্রমোটিং দি পার্টিসিপেসন ওফ পার্সনস ৱিথ দিসএবিলিটিজ এন্দ দিয়ার লিদরশিপ টেকিং এক্সন ২০৩০ দিভলপমেন্ট এজেন্দা হায়বা থীমদা ইন্টরনেসনল দে ওফ পার্সনস ৱিথ দিসএবিলিটিজকা মরী লৈননা ৱিন্টর এগজিবিসন ফোর দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন কম দিষ্ট্রিব্যুসন ওফ টি এল এম কিটসকী থৌরম অমা ঙসি সগোলবন্দ তেরা বজারদা লৈবা আইদিয়ল ক্লবকী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, নোর্মেল পার্সনশিংনা তৌবা ঙমদবা থবক কয়া দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংনা তৌবা ঙম্মী। য়ু এননা দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংগীদমক রাইট কয়া ফংহন্নবা অমদি মালেমদা লৈরিবশিংবু মীনুংশি অমগা লোয়নননা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা চঙশিল্লক্লি। ইন্টরনেসনল দে ওফ পার্সনস ৱিথ দিসএবিলিটিজ হায়না থৌরম পাঙথোক্লরি। মখোয়দা তোপ-তোপ্পা মতিক ময়াই কয়া লৈ। মতিক-ময়াইশিংগী মনুংদা পেসিয়ন্স য়াম্না লৈবা অসি দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংদা পীথোরকপা অমনি। নোর্মেল পিপলশিংদগী মখোয়না হেন্না খাংবা ঙম্বগী থৌনা য়াম্না লৈ। সেন্সিটিভ ওইবা করিগুম্বা অমা হায়বদা য়াম্না লৌশিনবা ঙম্মী। তাইবং শেন্বা মপুনা পীথোরকপনি। মখোয়গী মতিক ময়াই কয়া অসি ঈকায় খুম্নবা তাই। মখোয়বু মীনুংশিগা লোয়ননা চৎমিন্নগদবনি। মণিপুরদা মীওই লাখ ২৯ লোম লৈরিবা অসিনা মখোয়দা মীনুংশি অমদি কন্ট্রিব্যুসন খরা খরা তৌরগদি য়াম্না নুংঙাইনা হিংবা ঙমগনি। নোর্মেল পার্সনশিংনা তৌবা ঙমদবশিংদু দিফরেন্টলি এবল্ড ওইরবশিংনা তৌবা ঙম্মী। দিফরেন্টলি এবল্ড ওইরবশিংগী ওর্গনাইজেসন কয়া অমা লৈরি। কনাগুম্বা খরনা কম্মর্সিএল ওইবা মওংদা মদুগী নাম্মাদা খুদোংচাবা লৌনবা থৌওং চত্থরকপদা পূক্নিং থৌগৎনিংদে। মখোয়বু মতেং পাংনবা হোৎনবশিংদা পূক্নিং থৌগৎপা তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা পাৎশোই এ সীগী এক্স-এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা প্রসিদেন্ট ওইখি। ষ্টেট কম্মিস্নার ফোর পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ ডা. আর কে কুমারজিৎ, রিমসকী ডা. ব্রোগেন, আইদিয়ল ক্লবকী প্রসিদেন্ট আর কে তোম্বীসনা অমদি এন আইঈ পি আই দিগী লেকচরর রবি প্রকাসসু শরুক য়াখি। তরেৎশুবা ৱিন্টর এগজিবিসন অসিদা ষ্টোল ৪৫ হাংলি। টি এল এম কিটস কয়াসু পার্সন ৱিথ ইন্টেলেকচুয়েল দিসএবিলিটিজ ১০৬ তা য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন ফোর ব্লাইন্দ মণিপুরনা ওইনাম ইবোহল পোলিটেক্নিক, লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি ইম্ফাল ৱেষ্টকা খুৎশম্নদুনা ইন্টরনেসনল দে ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজগী ওবজর্ভেসন থৌরম ঙসি ৱেলফেয়র এসোসিএসন ফোর ব্লাইন্দ মণিপুরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্টর ডা. এ শান্তনা চীফ গেষ্ট, এম পি সী দব্লিয়ু দব্লিয়ু বিগী শান্তিনা প্রসিদেন্ট ওইখি। এম এস এস দিগী জোইন্ট দিরেক্টর এস ইবোচৌবা, ওইনাম ইবোহল পোলিটেক্নিক্কী প্রিন্সিপাল নিলাবাবু, দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট আর কে মেমচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. এ শান্তনা হায়খি, দিফরেন্টলি ওইরবশিংগী মরক্তুগী ঈ কৎতুনা তঙাইফদবা মীওইদা মতেং পাংনবা হোৎনরিবা খোঙথাং অসি থাগৎনিংঙাইনি। মখোয়না খুন্নাই অসিদা অচৌবা কন্ট্রিব্যুসন পী। মখোয়গীদমক রিমসতা কা অমা থম্নবা প্রপোজ তৌরক্লিবা অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগনি। হোস্পিটাল অসিদা শাগৎলিবশিং অসি দিফরেন্টলি এবল্ড ফ্রেন্দলি ওইহনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা আর কে মেমচানা ফোঙদোকখিবদা, দিসএবল্ড পার্সনশিংসু চপ মান্নবা রাইট লৈ হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙই। রাইট অসি খঙনা খঙনা ইমপ্লিমেন্টেসনগী পার্টতদি অদুম শোই। মখোয়বু প্রোটেক্ট তৌগদবনি। মখোয়গী লম্বী য়াৎকদবনি হায়বসি খঙনা খঙনা অহোবা অদুম লৈবসিদা মখোয়গী রাইট অসি কন্নবা এক্ট মথং মথং শেম্লক্লিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা সী এম এস টিগী মখাদা ওইনাম ইবোহল পোলিটেক্নিক্তা উবগী পাঙ্গল লৈত্রবশিংগী ওইবা পি এম কে ভি ৱাই স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং হৌদোকখি। ট্রেনিং লোইরবা ট্রেনিশিংদা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিস থৌবালনা য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দা লৈবা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ হেন্দিকেপ পার্সনগা খুৎশম্নদুনা ঙসি আর আই ঐচ পিগী কমপ্লেক্সতা ইন্টরনেসনল দে ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

প্রোমোটিং পার্টিসিপেসন ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটি এন্দ দিয়ার লিদরশিপ টেকিং এক্সন ওন ২০৩০ দিভলপমেন্ট এজেন্দা হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দি সী থৌবাল এন বন্দনানা অথোইবা মীথুং ওইখি। দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিস থৌবাল অরাম্বম কামেশ্বরনা থৌরম মপু ওইখি। চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবাল ডা. এন জয়ন্তকুমার, আর আই ঐচ পি য়াইরিপোক্কী প্রসিদেন্ট ডা. এম রাজেন্দ্র, য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ভাইস চ্যেরপার্সন কোঞ্জেংবম ইতো, ৱাংখেম জেদ পিগী নোমিনি মেম্বর কে ঐচ সোভা অমদি লৈরোংথেল নিঙেল জি পিগী নোমিনি প্রধান সলাম কুমারনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা ফম্ফমলাংদা ফমখি।

দি সী বন্দনানা ফোঙদোকখিবদা, হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবশিংবু মখোয়দা য়াওরিবা হৈথোই-শিংথেইবশিং অদু ঐখোয়না পুথোক্তুনা খুন্নাইদা চঙ-চঙ লাউবা মীওই অমনি হায়না লৈহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম্না পূক্নিং থৌগৎপীখি। হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবশিংনা শান্নপোৎ অমদি লৈনচিংবা কয়া শাদুনা পুথোক্লি। মসি মীয়াম্নসু পাম্না লৈনরি। চীফ মিনিষ্টরগী শোথরবশিংগী তেংবাং হায়বা থৌরাং অমা হৌদোরক্লবনিনা কান্নবা লৌমিন্নসি। থৌরাং অদুগী কান্নবশিং ফংফম থোকপা মীওইশিংদা ফংহনসি। লমদমশিংগী জেদ পি মেম্বর, প্রধান, কাউন্সীল্লর, এন জি ও অমদি দিষ্ট্রিক্ট ওফিসরশিংগী চাউরবা থৌদাংসু লৈ। হান্নদি লৈঙাক্না শকখঙলবা হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদবগী মখল অসি শুপ্পগী তরেৎখক্তা ওইরম্মী। ঙসিদি মখল ২১ দা হেনগৎলে। চীফ মেদিকেল ওফিসরগা তানদুনা হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদবা মখলশিং খঙদোক্লবা মফম ৫/৬তা কেম্প পাঙথোক্লবা হোৎনরি। মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা দিফরেন্টলি এবল্ড ওইরবা মীওই কয়াদা খুদোলপোৎ কয়াসু তমখি।

মরকসিদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্লখিবগুম কুম্বী লাই অচৌবা মান্দপতসু ইন্টরনেসনল দে ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিস বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা সোসাইটি ফোর দিসএবল্ড পার্সন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কুম্বী এ সীগী এম এল এ, এস বিরা, এস সী টু দি সী বিষ্ণুপুর এল বোবি, কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপার্সন দব্লিয়ু প্রিয়োরঞ্জন, ভাইস চ্যেরপার্সন এল ববিতা, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর এন জোতিশ, সোসাইটি ফোর দিসএবল্ড পার্সন মণিপুরগী সেক্রেটরি এন ইবোতোননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ, এস বিরানা হায়খি, দিসএবল্ড ওইবশিংগী থৌরম পাঙথোকপসি য়াম্না নুংঙাই। মখোয়বু হন্থনা খল্লোইদবনি। অৱাংবা থাক্তা পুখৎকদবনি। মীমান্নদ্রবশিংবু তুহৎপীবা তৌরোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মরকসিদা, প্রোমোটিং পার্টিসিপেসন ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটি এন্দ দিয়ার লিদরশিপ টেকিং এক্সন ওন ২০৩০ দিভলপমেন্ট এজেন্দা হায়বা থীমদা য়ুথ দিভলপমেন্ট এন্দ কলচরেল এসোসিএসন ত্রোংলাওবী, পব্লিক রিলেসন ওর্গনাইজেসন ত্রোংলাওবী, গ্রুপ য়ুনিটি ষ্ট্রেঙ্ক ত্রোংলাওবী অমদি ভারত বিকাশ পরিষদ মোইরাং কেন্দ্রনা শীন্দুনা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ইন্টরনেসনল দে ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজগা মরী লৈননা পাঙথোকখ্রে।

লৱার প্রাইমারী স্কুল ত্রোংলাওবী মখা লৈকায়দা জেনিমস ব্লদ বেঙ্ককা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা দিসএবল্ড অমা ওইনা লমদম অসিগী শক্লাইরবী শৈশকপী মন্দাকিনি য়াওনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা দিফরেন্টলি এবল্ড অমদি ব্লদ দোনর ৬০ রোম্না ঈ পীখি। এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। ত্রোংলাওবী তেরা খোংশাংবী জি পিগী প্রধান বসন্তনা চীফ গেষ্ট, ভারত বিকাশ পরিষদকী এদভাইজর ডা. ৱাই মোধু, শক্লাইরবী শৈশকপী মন্দাকিনি, অর্বিন্দ সোইবম, সুনিতা নেপ্রমসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রমনা স্পেসল স্পিকর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা মন্দাকিনি তখেল্লম্মনা দিসএবল্ড পার্সনশিংদা ঙমজবা খুদোলপোৎশিং য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, প্রোমোটিং পার্টিসিপেসন ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটি এন্দ দিয়ার লিদরশিপ টেকিং এক্সন ওন ২০৩০ দিভলপমেন্ট এজেন্দা হায়বা থীমদা শামুশঙ শান্তিপুর অপ্পর প্রাইমারী স্কুলদা ইন্টরনেসনল দে ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ভলন্টরি য়ুথ কাউন্সীল (য়ু ভি ৱাই সী) গী কোওর্দিনেটর নিরঞ্জন সেরামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, স্পেসল স্কুল শিন্দমশঙ কোঞ্জেং লৈকায় অমদি শামুশঙ শান্তিপুর অপ্পর প্রাইমারী স্কুল ময়াং ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জেদ ঈ ও ৱাঙ্গোইগী রিপ্রজেন্টেটিভ, শামুশঙ শান্তিপুর অপ্পর প্রাইমারী স্কুলগী হেদ মাষ্টর কে জয়ন্ত, য়ু ভি ৱাই সীগী সেক্রেটরি কে মহারাবি অমদি ও মেমচানা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা য়োগ দেমোন্সত্রেসন, পেন্টিং কম্পিটিসননচিংবসু পাঙথোকখি। মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি হায়রি।

লমগী চয়েৎনবা ঙাইহাক্কী ৱারোইশিন পুরকপগী মহুৎতা পার্মিনেন্ট সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু : কে এস এ, সী এল কে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : লমগী চয়েৎনবা শরুকশিং ঙাইহাক্কী ওইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা পার্মিনেন্ট সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) গী সেক্রেটরি জেনরেল এস হেমজিৎ অমদি চনুরা লমচিংলেন কংলৈপাক্কী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ য়ুরেকানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর অমদি নাগালেন্দগী বোর্দর এরিয়া অমা ওইরিবা তুংজোইদা নাগালেন্দগী জাকেনো ভিলেজনা মণিপুরগী লমগী শরুক হেঞ্জিন্না লৌশিল্লকপগা লোয়ননা নাগালেন্দগী ফেষ্টিভেল অমা ওইরিবা হোর্নবিল ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবগী ষ্টোল শাজিল্লকপা অমদি নাগালেন্দ পুলিসকী আউট পোষ্টনচিংবা শাজিল্লকপসি ঙসিগী লৈঙাক্না তরাইনা লৌফম থোক্তে। ৱাথোক অসি ঙাইহাক্কী ওইবা মওংদা ঈরাং থোক্তনবা হোৎনবগী মহুৎতা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ অনীগী মরক্তা লৈরিবা লমগী চয়েৎনবা অসি পার্মিনেন্ট সোল্যুসন অমা পুরক্লবা হোৎনগদবনি। লম খোপচিনবগী থৌওং অসি মখা তানা তৌবা ঙমদনবা বোর্দর এরিয়াদা মতিক চানা সিক্যুরিটি থমগদবনি। চীংমী-তম্মী অমত্তনি হায়বা খোল্লাও অমগা লোয়ননা চহী লিশাং শিংনা পুন্না লমদম অসিদা খুন্দামিন্নবগা লোয়ননা লমদম অসিগী ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইরৈচাশিং অদু ঙসিগী লৈঙাক্না ঙাক্লৌ পীফম থোকই। তুংজোই ভিলেজদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি চহী কয়াগী মমাঙদগী লাক্লিবা চয়েৎনবা ওইবগা লোয়ননা মতম-মতমগী পাল্লিবা লৈঙাক্না পার্মিনেন্ট সোল্যুসন পুথোক্তবদগী ওইহল্লকপনি। বোর্দর এরিয়াদা সিক্যুরিটি মতিক চানা থম্নবা হোৎনবগী মহুৎতা কুমজা ১৯৯১ দা লৈজরম্বা পুলিস আউট পোষ্ট ফাওবা লৌথোকখি। পার্মিনেন্ট সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনদবা অমদি ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইরৈচাশিং অদুবুসু ঙাক্লৌ পীদবা অসিনা মণিপুরগী মতম-মতমগী লৈঙাকশিং অসি লমদম অসিগী ঙমখৈ ঙাকপদা থোইনা হেন্না লুম্না লৌদে হায়বদু তাকই।

তুংজোইদা থোক্লিবা নাগালেন্দ অমদি মণিপুর অনীগী ইন্টর ষ্টেট লেন্দ দিস্প্যুট অসিদা নত্তনা অতোপ্পা মফম কয়াদসু খুদম ওইনা জেসামিগা নাগালেন্দগা তায়নবা মফমদসু লমগী চয়েৎনবা লৈরি। মসিদা নত্তনা জুকো লমগী মতাংদা লাকখিবা চয়েৎনবা অমদি মদুগী ওইরকখিবা ৱাথোক্লা মরম ওইরগা মাওগী মীয়াম নাগালেন্দদা চঙবদা অথিংবা পীরকখি। মসিনা মরম ওইরগা মাওগী মীয়াম্না ইম্ফালদা লাক্তুনা মখোয়গী পোৎচৈ য়াম্না ৱানা কৈথেল হোং-হোংদুনা ফম্বগী থৌওংসু মীয়াম্না থেংনরি। লমদম অসিগী ঙমখৈ ঙাক্লিবা অমদি অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্নরিবা ইরৈচাশিংনা অৱাবা তারবা ফাওবদা ঙসিগী লৈঙাকসিনা মীৎয়েং চঙবীদ্রি। ইন্টর ষ্টেট লেন্দ দিস্প্যুট য়েংশিনবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

মথাই ইন্টরপ্রাইজেস মণিপুরদা লৈবা য়ারোই হায়বা খোঙজং চঙশিল্লগনি : রোমেন্দ্রজিৎ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজেস মণিপুরদা লৈবা য়ারোই হায়না অমুবা বেজ থেৎতুনা এফ সী আই গেটতা শিন্মীশিংনা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি রোমেন্দ্রজিৎ মোইরাংচানা হায়খি, এফ সী আই, এফ এস দি জিরিবামদা শিন্মী ওইরম্বা ইবোতোম্বীগুম্বা শিন্মী কয়া অমা এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজেসনা হাৎখিগদৌরি। শিন্মীশিংদি লান পামদে। শিংনরক্লবদি শিবা কিদে। মহাক ফাইনান্সিয়ল প্রোব্লেম অমদি হরাসমেন্ট পীবদগী খাংবা ঙমদদুনা শিবনি। মীচঙ-মীখায় নাইবা থৌওং কয়াদা শিন্মীশিংনা পেন্দবদগী ৱাকৎ মীফম চত্থবনি। এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজেস শিন্মী খুন্নাইগী য়েক্লবা ওইরে। হেন্দলিং কন্ট্রেক্টর লৈতবা এফ সী আই দিপো ময়াম লৈ। শিন্মী লৈতবা দিপো এফ সী আইদা লৈতে। হান্নদগী থবক শুরকপা শিন্মীশিংবু কাঙলোন লান্না থবক লৌথোকপা য়াদে অমদি লৌথোক্লবসু অমুক য়াওহনগদবনি হায়বা চৎন-কাঙলোন লৈ।

খঙনা নৎত্রগা কান্নবা খরনা মাঙওইনরগা পুকচাক মুনগে খল্লবদি এসোসিএসন্না চপ চানা থেংনগনি। লৈজরিবা য়ুমদা শেল পায়বা, পাঙ্গল কনবা মীওই লাক্লগা লৈশিনগনি হায়বগী ৱাখল থাদোক্কদবনি। এফ সী আইগী জেনরেল মেনেজরদা অইবা চেরোল পীদুনা শিন্মীগী খুদোংচাদবা অৱাবশিংগী মতাংদা খঙহন্নবা হায়খিবদু রেস্পোন্স ফংদে। মরম অসিনা ৱাকৎ মীফম চত্থবনি। মথাই ইন্টরপ্রাইজেসনা মিনিমম ৱেজেজ পীদবা অমদি তোঙান তোঙানবা ৱাথোক কয়া থোক্লিবা অসিদা পেন্দবা কয়া লৈরি। শিখ্রবা মীগী ৱেজেজ লৌদুনা লৈরম্বা এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজেস হায়রিবা ফার্ম অসি মণিপুরদা লৈহনবা য়াদে হায়না খোঙজং চঙশিনবনি। য়ানবগী ফীভম লৈত্রি। হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শাবা লোইরে। মথাই ইন্টরপ্রাইজেস হায়রিবা ফার্ম অসিনা শিন্মীদা মীনম্বগী থৌওং চত্থরকপনা ফার্ম অসি মণিপুরদা লৈহনবা য়ারোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বেনিফিস্সরি ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর ওফিস থৌবালনা দিপার্টমেন্ট ওফ সেরিকলচর মণিপুরগী স্পোন্সরশিপ মখাদা নুমিৎ হুম্নি (দিসেম্বর ৩দগী ৫ ফাওবা) চত্থগদবা বেনিফিসরি ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি জি এস এফ কাব্রং হোল থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

এন ই আর টি পি এস ২০১৬-১৭গী মখাদা সেরিকলচর বেনিফিসরি ১৫০দা অখন্ননা ত্রেনিং পীবগী প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিরেক্টর ওফ সেরিকলচর এস কুঞ্জাকিশোর, সেরিকলচর সঙাইপাৎ হেদক্বার্টরগী ভেহিকল ওফিসর এস প্রিয়োকান্তা, দি এস ও জিরিবাম এস ধিরেন অমদি দি এস ও থৌবাল আর কে বিশ্বাজিৎনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

সেরিকলচরগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা সিল্ক ৱর্মশিং করম্না য়োক্কনি, করম্না লোক্কনি হায়বা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা খন্ন-নৈনগদৌরিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা সুপরিন্টেন্দন্টে সেরিকলচর ঐচ গোপেন অমদি কোওপরেটিভ ইন্সপেক্টর সেরি এ কে রোক্কেটনা 'চৌকি ৱর্ম এন্দ ইটস রিয়ারিং' অমদি নরজরি প্রিপরেসন এন্দ চৌকি মল্ব গার্দেন' হায়বা হীরমশিংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিরেক্টর ওফ সেরিকলচর এস কুঞ্জাকিশোরনা ফোঙদোকখিবদা, সেরিকলচর দিপার্টমেন্ট অসিসু মীয়ামদা থবক পীবদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌবা য়াবা দিপার্টমেন্ট অমনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা শন্থেং কয়া মরাং কায়না লৈরি। অদুম ওইনমক বেনিফিস্সরিশিংনা শেল ফংখ্রবা মতুং মশা-মশাগী তৌরক্কদবা থৌদাংশিং তৌরক্তবনা দিপার্টমেন্ট অসিনা মায় পাকপদা খরা ৱারি অমদি অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মরম অসিনা ঐখোয় অফবা বেনিফিস্সরি অমমম ওইবা ঙম্নবা হোৎনসি। খুদোংচবা কয়া ফংনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

পোপি পান্বী য়ান্থৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩:মণিপুরদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক য়োনবা অমদি পুশিল্লকপা লৈঙাক্না অথিংবা লৈনা-লৈনা মীওই খরনা চীংগী এরিয়াদা পোপি পান্বী পাক শন্না থারম্বদগী কম্বাইন্দ টিম্না য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

ঙসি অয়ুক নাবকী এদিস্নেল এস পি শকলেম্বা আর কে, দি এস পি শনি, সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ও সী তেজি অমদি নার্কোটিক্সকী ও সী জেনাহ, সেনাপটিগী এদিস্নেল এস পি লানমিনলেন মীসাও, সেনাপটিগী এদিস্নেল এস পি লোয়ননা সেনাপটিগী এস দি ও, ফোরেষ্টকী ওফিসর অমদি এন সী বি য়াওবা টিম অমনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী তাফৌ কুকি অমদি তাফৌ নাগা হিল রেঞ্জকী অকোয়বদা পাক শন্না থারম্বা পোপি পান্বী য়ান্থৎতুনা মাঙহনখি। ঙসি কম্বাইন টিম্না য়ান্থৎতুনা মাঙহনখিবা পোপি পান্বীশিংদু চাওরাক্না একর ১০০ রোমদা থারম্বনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা সেনাপটি পুলিসনা এফ আই আর কেস অনি লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবা হৌখ্রে।

'দিসেম্বর ১৬ ফাওবদা য়ানবা পুরক্তবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : দিসেম্বর ১৬ ফাওবগী মনুংদা কাউন্সীলগী ওজাশিংগী সেভেন্থ পেগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফুলফিল তৌরক্তবদি খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা কাউন্সীল ওফ টিচরস এসোসিএসনগী কনভিনর সী ঐচ শান্তকুমারনা হায়খি, ওগষ্ট ৮ দা সিক্স পেগী মহুৎতা ইনটোটো ওইনা সেভেন্থ পে চৎননবা চেরোল পীশিনখ্রে। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্না উননবা হায়জখিবদু ঙসি ফাওবদা হায়বীরক্ত্রে। মরম অদুনা দিসেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্না সেভেন্থ পে চৎননবা ফুলফিল তৌদ্রবদি দিসেম্বর ১৬ অমসুং ১৭ তগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। চরা হেনবগী খোঙজং য়াওনা মাস কেজুয়েল লিভ লৌবগী চত্থগনি। মসিদা তাবীদবা তারবদি ক্লাস ৱানদগী টুয়েল্ব ফাওবদা লৈরিবা এগজামশিংদা ওজাশিংনা শরুক য়াদবা হায়বা ফিরেপ ফাওবা লৌরক্কনি।

হৌজিক লৈরিবা ওজাশিংগী তোলোপ অসি গ্রেজুয়েট টিচর অমদি প্রাইমারী টিচর হায়বা লৈতনা চপ মান্নবা তোলোপতা পীদুনা লাক্লি। ষ্টোর কিপর অমগা গ্রেজুয়েট ওজা অমগা তোলোপ মান্নবা ফীভমদা লাকপসিদা ওজাশিংদা অদুক্কী মতিক পেন্নরক্ত্রে। হান্না ফংলম্বা তোলোপতগী অমুকসু তাথরগা পীবা কয়া লাকপসিনা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শরে হায়খি।

কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ : হৈঙাং হন্নচীংদা লৈবা ইবুধৌ মৈদিংঙু নোংদা লাইরেল পাখংবা লৈরিবা হন্নচীং খুভমদা মৈতৈ ঐখোয়গী লাইনিং লাইশোন লুপুন শিরুবদগী হিংলকপা য়েন্নিং হুনবা কুমওন পোইনুগী ৬ নি পানবা চহী অসিগী দিসেম্বর ২ দা লূপকী থৌবুরেলনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না লাইমিং কোলোয় অৱাং মার্জিং চিংতমপোক পাখংবা ইথুপ পাথেক অহুম নোংদম শঙলেনগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।


CSC City Study Circle
Sangaiprou Mayai Leikai, Airport Road, Opp: Life Style Fitness Gym

ROLL OF HONOUR
13th POSITION
NONGMAITHEM ZENO
S/o. N. Ranjit Singh
& N. Tilotama
of Nachou Mamang Leikai
Mark : 554 P.C. : 92.2%
SUB. TOPPER : COMP. SC. (100)

Iam indeed grateful to find a coaching centre like CSC. In fact, it may be rightly said that it is the abode of all the well-experienced and brilliant teachers. The teaching style, mock test series and many other educational activities helped me boost my knowledge even more stronger. I believe CSC will do the best for the growing up students.
N. Zeno

ADMISSION OPEN
Limited Seats First Comed First Serve
Attached Hostel Facilities
11th Rivision Course
STARTS : 5th Dec. 2019
21st Foundation COURSE, STARTS : 12th DEC. 2019
Office Hour : 5 am. to 5 pm.
For Details Contact : 8729914669 / 6909614910
Motto : Learn more fulfil your dreams
HL-P/5425/3-17
HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.
LEARN MORE FULFIL YOUR DREAMS
CITY STUDY CIRCLE
Estd. 2007

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM)
4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30)
&
CLASS -X(BOSEM)
5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)
HSE Result 2019
19th POSITION HSE 2019
Rakesh Ningthoujam
FOUNDATION COURSE for
CLASS -X(BOSEM)
9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)
HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE
13th POSITION HSLC 2019 Nongmaithem Zeno
17th POSITION HSLC 2019 Jessica Wahengbam
23rd POSITION HSLC 2019 Kahajam Jaya Devi
24th POSITION HSLC 2019 Rushely Laishram
Faculties :
Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.
Special features :
➡ Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
➡ We provide printed probable questions and answers.
➡ Hostel/Boarding for Boys &Girls.
➡ Van Services
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol
Contact : 8413855751